ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ফেব্রুৱারী ০৮, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ৩১২শুবা মশীং

# মণিপুরদা চোপ্পর সার্ভিস

## *অথুবা মতমদা থবক হৌনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙসি*

*অৱাং* নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা লম্বী-থোংগী ফীভম ফত্তবদা মণিপুরসু য়াওরি। মরুওইনা চীংগী লমনা হেন্না পাক চাওবা মরম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদসু কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লবা মফম কয়ামরুমসু মণিপুরদা লৈরি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা সব দিভিজনশিং হায়বদি তামৈ, তৌসেমনচিংবগা দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টরগা ফাউনবদা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং মীয়াম্না খঙই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকীসু পারবুং, হেঙলেপনচিংবগা দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টরগা নোংজুথাগী মতমদা ফাওনবা য়াদবা অমসুং অথু-অকায়গী ওইবা থবক থৌরমশিংগী পাউ ফাওদোক ফাউজিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা অমনা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা জিরিবামগা দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টরগগী মরক্তা লম্বী ফাওনবদা খুদোংচাদবা অমসুং নোংথক্কী লম্বী লৈতবনা মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্ননবা করি তৌগদগে হায়বা লৈঙাক্লা মতম চুপ্পদা খন্দুনা লৈরমগনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা লৈবা অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম্নচিংবদসু ষ্টেট মনুংগী ওইবা চোপ্পর সার্ভিস লৈখ্রে। মণিপুরগী ওইনদি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা চোপ্পর সার্ভিস লৈরগনি, হৌনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরে হায়দুনা য়াম্না তোয়না ফোঙদোকই। অদুবু থবক্তি ঙসি ফাওবা উবা ফংদ্রি। করিগুম্বা মসিনা মহয় চারবদি মীচম মীয়ামদা কয়াম য়াম্না কান্নবা পীগদগে হায়ববু চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা মণিপুরগী ময়োন লম ওইরিবা ইম্ফালগা অদুক্কী মতিক নকশিন্নহনবা ঙম্লগনি। অসুম্না নকশিন্নবা মরী লৈনবসিনা ষ্টেট অসিদা কাঙলুপ মশেল নুংশি চান্নবা হেনগৎহনবদা নত্তনা অপূনবগী শক্তম ঙাকমীন্নবদা মপান নাইদ্রবা কান্নবা ফংগনি। খুদক্কী ওইবা অনা অয়েক য়াওরকপদা লায়েংফম লৈতবগী থেংনরম্বা অৱাবশিং পুং খরগী মনুংদা কোকহনবা ঙম্বগী লম্বী উরক্লে। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসি থেংলবসু থেংনা তরাম্না ওক্তবা ঙমদে।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মমাঙদা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা রিজিনেল কনেক্টিভিটি স্কিমগী মখাদা মণিপুরদা ইন্ট্রা ষ্টেট অমসুং ইন্টর ষ্টেট হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহন্নবা অমসুং সার্ভিস অদু থবক্তা ওন্থোকপা য়াননবা মণিপুর লৈঙাক্লা মিনিষ্ট্রি ওফ সভিল এভিএশনগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনবগী অয়াবা লৈখ্রে। এম ও য়ু অসিগী মতুং ইন্না ইম্ফাল-সিলচর-ইম্ফাল নুমিৎ খুদিংগী চোপ্পর সার্ভিস লৈরগনি। ইম্ফাল-দিমাপুর-ইম্ফালগী সার্ভিসনা চয়োল অমদা অহুম্লক লৈগনি। মসিদা নত্তনা ইম্ফাল-অগরটালা ভয়া শিলচর, ইম্ফাল-আইজোল ভয়া শিলচর অমসুং ইম্ফাল-শিল্লোং ভয়া শিলচরগী সার্ভিসসু লৈরগনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ইন্ট্রা ষ্টেট হেলিকোপ্টর সার্ভিসকী অহানবা ফেজদা ইম্ফাল-মোরে-ইম্ফালগী সার্ভিস নুমিৎ খুদিংগী লৈহনবা, ইম্ফাল-তমেংলোং-জিরিবাম-তমেংলোং-ইম্ফাল সার্ভিসনা চয়োল অমদা অহুম্লক লৈহনগনি হায়না য়ানখিবসু লৈখি। ইম্ফাল-থানলোন-পারবুং-থানলোন-ইম্ফালগী সার্ভিসনা চয়োল অমদা অনীরক লৈহন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী থৌরাংশিং অসিনা মতম অমদা ইম্ফালদগী পারবুংদা নৎত্রগা পারবুংদগী ইম্ফালদা চৎচনিংবা মীচম মীয়ামদা লৈরম্বা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়না লৌনখি। অহল ওইরবা, মপাঙ্গল ময়েং তারক্লবশিং ফাওবা নুংঙাইনা পুঙ্খায় অমগী মনুংদা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা অমদগী অমদা য়ৌহনবা ঙম্লগনি হায়না হরাউনখি। মরু ওইনা জিরিবামগী ওইনদি হান্নদগী হৌনা ফ্লাইট সার্ভিস লৈতবগী খুদোংচাদবা অদু হন্দক্কী অসিনা কোকহনবা ঙম্লগনি হায়নসু লৌনখিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী মনুং অমসুং মপান্দা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লৈহনগনি হায়না য়াম্না তোয়না পনখিবা ৱাফম অদু করম্বা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্কদৌরিবগে হায়বসিনি। হৌজিক্তি এয়র দিসপেন্সরিগী ৱাফম অমসু পুশিল্লক্তুনা চীংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা হেন্না পীননবা পান্দমসু থন্লিবনি। হীরম অসিদা মণিপুরগী গভর্ণর নাজমা হেপ্তুলা ফাওবা য়াওশিনবীদুনা মীয়ামদা অনীংবা অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবীরিবনি। অদুবু লুরিবদি করম্বা মতমদা থবকশিং অসি ওইথোক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রিবা অসিনি। পাইপ লাইন্দা লৈরিবা প্রোজেক্ট অনী অসি থবক্তা থুনা ওন্থোকপা য়ানবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক হৌজিক** মণিপুরদা নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টসি করিনো কন্না খঙনীংলি। ঐসু খঙনীংঙি করিনো হায়বা। অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা ৱাখল লৈতাদ্রবা মীয়াম অমা ওইহল্লি। মসি তশেংনা ফরম্বসু য়াই নৎত্রগা ফরমদবসু য়াই হায়বগী মরমদি মণিপুরদা ফত্তবা হঙ্গোইবা শাজৎ অমা থোরকপগী ফীভম অমা উবদগী ঐখোয়গা য়ূমলোন্ননা লৈবা নাগালেন্দগী খঙ হৈরবশিংনা শিল্লন্বা অমা ওইবা য়াই। 'নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট' হায়বগী ৱাহন্থোকসি নাগা মীয়াম্না শিনবা চৎন-লোনচৎ তৌগদবা ময়াম হায়নসু হায়নৈ। অদুনা মসিগী শাফুসি নোংম-নোংমগী খোল্লাও অমা ওইরক্লিবনি। ঐখোয়গী মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্মী। মসিগী মওংসিনি য়াম্না তুজুংনীংঙাই ওইরবনি। অদুগা মীদুগী হোংলক্লিবা ফীভমদু খুদক্তা ফংলিবোই হেক্তা নীংই। কয়াম ৱানা হোৎনরগা ওইরকপনোদি য়েংনদে। নুপী ওইবী খরদি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং পুশিন্নরগা অফবা অমা থোরকপদা চিংথনবা হোৎনা কয়ামসু লৈরম্বা য়াই। মরম অদুনা লেংলি পাল্লিবা, উরিবা অসিনা মণিপুরগী মীশিংদা নুপানা য়াম্বা হেল্লি। নুপীগী মশীংদি য়ামদে। নুপী খরদি থবক কয়া শুনীংদে। নুংঙাইবা উবা য়াদে, মরম চাদনা হেক্তা পাম্মী। মণিপুরদা চাওখৎকে হায়রবদি নুপীগী মশীংনা হেনগদবনি। মরম অসিনা য়ূমলোন্নরিবা লম নাগালেন্দনা মরম ইচা চাদনা মণিপুরদা মখোয়গী চৎনবীদু নম্ফুদা চৎনহনবা তৌরক্লিব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। চৎনরোলশিংদুনা ঐখোয়দা হায়বদি মণিপুরী মীয়াম্বু মখোয়গী মখাদা লৈনবা শিল্লম্বসু য়াই।

*অদোমগী - অঙানবা তোংব্রম*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী
২। "চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা" পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।" পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।" পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই" হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# রাম-মন্দির বাব্রি মসজিৎ ৱাথোক ঙসি লোইগদ্রা?

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

**ঙসি** ফেব্রুৱারী ৮নি। হৌখ্রবা মতমগী পুৱারীগী লমায় ফাকৎলুবদা, হান্না লাচন্দুনা থল্লম্বা মরু ওইবা থৌদোক থোকখিবা থেংনদে। থোকখিবা থৌদোক মরু ওইবা লৈরমদ্রবসু, ঙসিগী নুমিৎ অসি ৱারেংজরিবা ঐনদি মরু ওইবা নুমিৎ অমনি খন্দুনা লাকখিবসি কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ৫দগীনি। নুমিৎ অদুদা ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা লাউথোকখি- অযোধ্যাগী রাম-জন্মভুমি-বাব্রি মসজিৎ লমগী চয়েৎনবা লৈরিবসিগী মতাংদা সিভিলিয়নশিংনা থাঙ্গৎলকপা কেসশিংগী হিয়ারিং ফেব্রুৱারী ৮, ২০১৮ শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। পহারগঞ্জগী হোটেল সোমা দিলক্সকী রুম নম্বর ১০১গী কাদুদা দিসেম্বর ৬কী অয়ূক্তা পাখিবনি। কুমজা ১৯৯২, দিসেম্বর ৬, চহী ৪৭৩গী মমাঙদা শাখিবা বাব্রি-মসজিৎ (বাবরগী মোংফমদা শাখিবা মসজিৎ) হিন্দু-কর-সেবক ময়াম্না উফুল তানা থুগায়খিবা নুমিৎ অদু নীংশিংদুনা কনানা করি থৌরম পাঙথোক্কদৌরি? পানীংলুবা পাউদুদি অমত্তবু ফোঙলমদে।

ঙসি চত্থগদৌরিবা সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং অসি মুসলিমশিংগী মরু ওইবা লূপ অমা ওইরিবা 'সুন্নি ৱকফ বোর্দ' অমদি মাইনোরিটি কম্যুনিতিগী মেম্বরশিংনদি পাঙথোকহন্নীংদে। কুমজা ২০১৯গী জুলাই থা ফাওবা পাঙথোকপীদনবা হায়জখি। হিয়ারিং অসিদা লেপ্ন গদৌরিবসি, মরু ওইনা একর ২.৭৭ পাক-চাউবা রাম-জন্মভুমি-বাব্রি মসজিৎ অনীগী য়েৎনরিবা লম অসি কনাদা কয়া য়েন্থোক্কদগে হায়বা ৱাফম অসিনি। নহান, দিসেম্বর ৫, ২০১৭- নুমিৎ অদু চহী চামঙা শুরক্কদৌরবা 'বাব্রি-মসজিৎ' থুগায়খিবা চহী ২৫ শুগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদনি। চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রাগা লোয়ননা জষ্টিস অশোক ভুষন অমদি জষ্টিস অব্দুল নজির অহুম্না শেম্বা স্পেসল বেঞ্চ অসিনা খন্নগদৌরিবসি, কুমজা ২০১০দা এল্লাহাবাদ হায় কোর্টনা লাউথোকখিবা ৱায়েল অমগী মায়োক্তা মীওই তরানা থারকখিবা দরখাষ্টশিং অদুগী মরমদনি। এল্লাহাবাদ হায় কোর্টনা মতমদুদা রায় অমা তাখি - য়েৎনরিবা একর ২.৭৭ পাক-চাউবা লম অসি, ওল ইন্দিয়া সুন্নি ৱকফ বোর্দ, নিরমোহি অখরা অমদি রাম লালা-অহুমদা চপ মান্ননা য়েন্থোক্কদবনি।

অযোধ্যাদা রাম-মন্দির অমা শাবগী ৱাফম অসিনা মরু ওইবা পোলিটিকল ইস্যু অমা ওইরক্লিবসি ফনা কুইরক্লে। ইলেক্তোরেল পোলিটিক্স'তা ভোট ফংনবগী পান্থৈ অমা ওইনসু শীজিন্নরক্লে। পূম্নমক্লা খঙই - রাম মন্দির শাববু ইলেক্সনগী মরু ওইবা এজেন্দা অমা ওইহনল্লগা হিন্দুশিংগী সেন্টিমেন্টতা তোংদুনা বি জে পি'না নেসনল পোলিটিকল সিনারিও অসিগী সেন্তর ষ্টেজদা থোরকপা ঙল্লিবনি। বি জে পি'বু ঙসিগী থাক অসিদা ইনখৎলকপদা লাল কৃষ্ণ অদবানিগী চাউরবা থৌদাং অমা লৈ। হিন্দু ফন্দামেন্টেলিজমদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎখিবা পার্টিনিনা, বি জে পি-মণিপুরগী লৈহাওদা হৌবা ঙল্লোইদবা পাম্বী অমগুম্বনি। মণিপুরদা কন্না ঙাঙনরম্বনি। ঙসিদি ৱাহায় অদু লাল্লক্লে। মণিপুরদা লৈঙাক-শক্তি পায়বা ঙম্বা পার্টি অমা ওইরক্লে। মন্দির-মসজিৎকী ইস্যুদুদি মণিপুরগী পোলিটিক্সতা চঙবা নত্তে। হয়েংসু মফম লৈরোই। মোদিগী দিভলপমেন্ট এজেন্দা অদুদনি, করপসন'না হারবা লৈঙাক্তুদগী খরদং শাফবা ওইগদ্রা খন্দুনা অওনবা লৈঙাক অমা খিল্লুবনি। পোলিটিকল পার্টি হায়বসিমক্তবু শেল ময়েক অমগী অতোপ্পা মায়ওন অমমমনি - হায়নবদু চুমদৌরি। পোলিটিক্সনা লৈপাক্কী য়াইফবা পুরক্কনি থাজরুবা, ঐখোয়গী অচৌবা অরানবা ৱাখল ওইরম্লে।

ঙসিগী কোল্লম অসিদা ঐহাক্লা রাম-জন্মভুমিগী ৱাথোকসিগী মরী লৈনবা ৱাফম খরা ইনীংলুরিবা, ৱাফমসিনা ঐখোয়গী পোলিটিক্সতা কান্নবা পীরক্কনি খল্লগা ইনীংলুবা নত্তে। ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতদি খ্বাইদগী সেন্সিটিব ওইবা ইস্যু অমা ওইরিবনা ঐখোয়সু ইস্যু অসিদি খঙফম থোকপ্রা খঞ্জদুনা ইরিবনি। থাজদবা তৌবীনু, মথং চহী (২০১৮) দা তারিবা পার্লিয়ামেন্টকী জেনেরেল ইলেক্সন অসিদা খ্বাইদই মরু ওইবা ইলেক্সন ইস্যু ওইদৌরিবা 'রাম-মন্দির' ইস্যুনি। নোংমা, দিসেম্বর ২০১৭ মনুংদা রাজধানি-ত্রেনগী খোঙচৎ অমদা সাধুগী ফিজোল শেৎপা নহা অমা চৎমিন্নৈ। মানা হায়রম্বনি ...'সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমা ঙাইরিবনি, য়াথংদুবু ফংলবা, য়েংবীয়ু, থা তরুক্কী মনুংদা মন্দির শাবা লোইগনি'...।

-'মন্দিরবুদি শাখিবা য়াই, ইন্দিয়াসিদি হান্নগীগুম্না লৈখিগদ্রা? 'ঐনা নমহং হংজিনখি।

- 'অযোধ্যাদা লৈরিবা মুসলমানশিংনা, মফমদুদা রাম মন্দির শাবদা অয়েৎপা করিসু পীবা লৈতে, ফৈজাবাদ'তা হিন্দু-মুসলিম অনীমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্নৈ...শন্দোক্লিবা তোকঙাসিদি ফৈজাবাদকী ৱাংমদা লৈবা মুসলিমশিংননি'।

অচুম অরানগী ৱাদি খঙদে, শন্দোক্নরিবা ৱারোলশিং অদুনি। ঙসিগী সুপ্রিম কোর্টকী হিয়ারিং অসিদা করি জজমেন্ট পীরক্কদগে হায়বদুদি তম্বা ঙমদে কনানা। অমদসু অমদসু য়ানগদবা মওংগী রাই অমদি পীরক্কনি থাজনৈ। ৱাথোক অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনরুবগী ৱা নত্তবীদা ঐদি খল্লি, ৱাথোক অসিগী ৱারুদু ঐখোয়সু খঙবদি মথৌ তাই। মরমদি, লাক্কদৌরিবা চহীসিদা খ্বাইদই মরু ওইবা পোলিটিকল ইমপ্লিকেসন লৈবা সোসল ইস্যুদি ৱাফমসিনা ওইদৌরিবনি। ঙসিগী নহারোল ওইরিবা মীরোল অসিনদি খঙলল্লোই - রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিৎকী ৱাথোক অসি করিনো? বাব্রি-মসজিৎ হায়বসিনা করিনো? করিগী ৱাথোক ওইরিবনো? অসিনচিংবা জেনেরেল নোলেজ থৱায় য়াওবা নহাশিংনদি পারুরগা খঙলম্বসু য়াই। মরু ওইদে খন্দুনা পারুদ্রদি খঙলল্লোই। অদুবু খঙফম থোকপা খরদুফাওবদি খঙমীন্নবা চুম্বরা খন্দুনা ঙসি ইরিবনি তাঞ্জা অসি লৌরগা।

উত্তর প্রদেশ হায়বা ষ্টেটতুগী ফৈজাবাদ দিষ্ট্রিক্তকী অযোধ্যা হায়বা মফমদু হিন্দুশিংনা খ্বাইদই থাজবা 'ভগবান রাম' গী পোক্লফম লমদমনি থাজনৈ। রামায়ন কৌবা লাইরিক্তুদা য়াওবা মফম খুদিংমক য়ু পি'দা লৈরম্বনা, রামায়নগী ৱারীদু তশেংনা থোকখিবনি থাজনৈ। থাজবা হায়বসিদদি মরম চাব/চাদবা থিনদে, বাইবল-কুরান অমহানি। রামগী পোক্লফম লমদম অসিদা রামগী মন্দির অমা লৈরম্মী, মন্দির অদু থুগায়দুনা ১৫২৮দা, মুগল নিংথৌরেল বাবরগী লান্মী-সেনাপতি 'মির বাকি'না মবুংঙো বাবরগী মীংদা মসজিৎ অমা শাজিনখি- হায়বসি হিন্দুশিংগী থাজবনি। মদুবু বাবরি মসজিৎ হায়না খঙনরকই। চহী কয়াগী মমাঙদগী মফমসিদা হিন্দু-মুসলিম অনীমক্লা লাই খুরুম্বগী থবক তৌমিন্নদুনা লাকখি- মুসলিমশিংনা মসজিৎকী মনুংদা, হিন্দুশিংনা মসজিৎকী মপান্দা।

ঙসিগী চয়েৎনবা অসি ইহান হান্না হৌরকখিবা, ১৮২২দনি। মতমদুদা ফৈজাবাদ কোর্টকী ওফিসল 'হফীজ-উল্লা' কৌবা অমনা লাউথোক্লমখি ...'সম্রাৎ বাবরগী মীংদা শারম্বা মসজিৎ অসি ভগবান রামনা হেক পোকখিবা মফমদুমক্লি' ...। মদুগী মতুং, কুমজা ১৮৫০ অদুৱাইদগী হৌরে 'নিরমোহি অখরা' কৌবা সাধু-বৈষ্ণবশিংশিংগী লূপ অমনা মসজিৎ লৈরিবা মফম অদু মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌবা। কুমজা ১৮৮৫, নিরমোহি অখরাগী 'মহন্ত রঘুবর দাস' না ফৈজাবাদ কোর্ট'তা কেস অমা ফাইল তৌদুনা (সুট নম্বর ৬১/২৮০), ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট'তা বাব্রি মসজিৎকী নাকন্দা, রাম চবুতরা হায়না খঙনবা মফমদুদা রাম-মন্দির অমা শাবগী অয়াবা পীবীনবা হায়জখি। অয়াবা অদুদি পীখিদে। অদুমকপু, কেস অদুগী ৱায়েল পীরদুনা ফৈজাবাদ দিষ্ট্রিক্ত জজনা হায়খি (১৮৮৬) ... 'হিন্দুশিংনা শেংলবা মফম অমনি খন্না থমজরিবা মফম অদুমক্তদা মসজিৎ অমা শাজিল্লমখিবা অদুদি লাইবক থীবা থৌদোক অমনি... অদুবু থৌদোক অদু ঙসিদগী চহী ৩৫৬কী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অমা ওইবনা, ঙসিদি অরানবা অদু চুমথোক্লবা পান্থৈ লৈতরে'...।

কুমজা ১৯৪৯, বাব্রি মসজিৎকী ময়ায়দুমক্তদা দিসেম্বর ২২গী অহিংদা অঙাং ওইরিবা রাম (রাম লালা) গী মীতম অমা থেংনরকখি। থংনবা নুমিৎতগী পুজা তৌবা হৌরকখি। চয়েৎনবা অদু লুশিনবা হেল্লকখি। কুমজা ১৯৫৯দগীদি, অনৌবা ৱাফম অমা য়াওরক্লে - বাব্রি মসজিৎ শারিবা মফমসিমক্তদা হান্না রাম মন্দির লৈরম্মী, মন্দির অদু থুগাইরগা, মফমদুমক্তদা মসজিৎ শাখিবনি। কুমজা ১৮৮৫, নিরমোনি অখরাগী সাধুশিংনা, মসজিৎকী নাকন্দা 'রাম মন্দির শাহনবীয়ু' হায়বা ৱাকৎ অদু মতমদুগী বৃটিশ-ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'তুনা তাবীরম্লবা, রাম-মন্দিরসু লৈরম্লি, কুমজা ১৯৯২দা বাব্রি মসজিৎ তুখিবদুসু তুরল্লোই।

য়েংসি-নাকল অহুম্মক্লা দিমান্দ তৌদনা 'এল্লাহাবাদ হায়বা কোর্ট'না লম অসি অহুম থোক্লা য়েৎনবীবা, সুপ্রিম কোর্টনসু এন্দোর্স তৌবরা?

# অশেংবা মায়থোংদি নুংশিকোল পার্কতা লৈরম্লে

**সোরোক নোরেন**

**ফেব্রুৱারী ৪, ২০১৮,** নোংমাইজিং নুমিৎনি। অয়ূক্কী পুং ১০.৪৫ চপ চানা য়ৌবনি নুংশিকোল পার্ক চনা লমলাইদা। ইশানা মতম চানা য়ৌই খঞ্জবনি। অদুবু চেৱাউদদি পুং ৯.৪৫ ওইরম্লে। অদুমকপু হৌবদি হৌরমদ্রি। মীনা হানখিদ্রা য়াম চীংনজবনি। থেংলবসু মনিংখোম্বা হায়বদুদি ওইদ্রে। নুংশিকোলসি ঐগদি হান্ননা খঙনখ্রবনি। কুমওন অনী ফারে, হৌখিবা শিংজু ফেষ্টিবেল ইহান হান্না হৌদোকখিবদো। মতমদুদগী খঙনদুনা লাক্লবনি উপাল-ৱাপাল, হৈরাং লৈরাং পূম্নমক্লা। ঙসিনা হেন্না ফজরম্লে। মপূং ফাবা উপাল ৱাপাল, লৈনম্না চানা পান্দুনা শাৎলম্বা নীংথিরবী লৈরাংশিং ঙসিসু হরাউ মীনোক তম্লন্লি।

সিনে রাইটরস এন্দ প্লেরাইটস ফোরম (সী দব্লিয়ু পি এফ), মণিপুরগী অহুমশুবা ফাউন্দেসন দে নুমিৎনি। অনীশুবা ফাউন্দেসন দে খুদোংচাদবা অমদগী পাঙথোকপা ঙমহৌদবনা হন্দক পূন্না অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ওইনা নুংশিকোল পার্ক চনা লমলাইদা পাঙথোকপনি। য়াম্না চীং লেম্বা ফোরম অসিগী ওইনা য়াম্না চান্ননা মফম অসি খনবীরম্বসিদি ফোরম অসিগী থৌবুরোইশিংবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। কয়াদা নীংথিজখ্রবা লৈনম্না হারবা নুংশিকোল পার্কী ময়ায়মক্তদা অইবা অথোইবা কয়াগী পূক্লিং মকা লাম্না পাঙথোকখিবদুমদি। মহৌশাগুম অমদি মমাঙথক্তগী খুদুং ইন্দুনা লাক্লবা থৌরম হৌদোক্লমদাইদা মৈরা চুখৎপা ঙসি নুংশিকোল পার্কী সিনে রাইটরস এন্দ প্লেরাইটস ফোরমগী থৌরমদি মৈরা চুখৎখিদ্রে। মৈ হায়বসিদি মাগা তাইনরুবা শোক্লরুবদা উৎ ওনবা খক নত্তনা অতৈ পান্থৈ লৈতবনিনা, ঙসিগী থৌরম অসিদি শুপ্পগী অইংবা ৱাখল কয়া অদুনা কলমগী মতেং লৌরগা পুৱারী অমা শেমহৌগদবা ওইবনা মৈবু লাপ্পা থম্বগী তঙাইফদবদু উৎনবা হোৎনখি। মরম অদুনা থৌরম অদুগী খঙ হৈরবা কয়ানা অমত্তা ওইবগী ৱাখলদা লেপমিন্নরগা নুংশিকোল পার্কী হৌরিবা পাম্বীশিংদা ঈশিং খুজোক অমমম চাইবিরগা হেন্না মপাঙ্গল লৈবা মশা-মউ ফবা নুংশিকোল পার্ক অমা ওইনবগী ফিরেপসিমদি মালেম পূম্বদা শন্দোকখিনবা হোৎনবদা করি অকায়বা লৈ।

অশেংবনি ঙসি মালেমদা অথোইবা শান্নবা মখল অমা ওইরিবা শগোল কাংজৈ ঐগী ইরমদমদগী হৌদোকখিবনি হায়বগুম, ঙসিগী অশেংবা মায়থোঙগী থৌরম নুংশিকোল পার্কনা মৈরা চুখৎপগী মহুত্তা গল্লাদা থারিবা পাম্বীশিং ঈশিং লীক্লা অমমমদং চাইবিবনা পাম্বীশিংগী পুন্সি কনসি হায়বসি অহৌবা ওইহনসি। মসি অফবা অচুম্বা মায়ওন অমনি লৌবা য়াই। ঐনা শিনবা থৌরম কয়াদদি মৈরা চুখৎলরোই গল্লাগী লৈরাংশিং ঈশিং চাইনবা হোৎনরনি। অদুগা লমদমসিগী পুৱারীদা হীরম খুদিংমক্তা অফবা লম্বী অমা ওইনবা হোৎনবদা মীকুপ অমতা পোত্থাবা লৈখিদ্রবা লময়ানবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী মীত্তমদা অঙম্বা লৈরাং খরদং কৎনখিবদুগী মহাওদুদি পাউদমসিদা মপূং ফাহনবা ঙমজদ্রে। লৈরাংগী লৈনা খুদিংমক্তা সমরেন্দ্রবু ইকায়খুম্নবা ওইনা মিৎলুগী পিরাং খুদিংমক য়াওখিবদুনা অথৌবসিগী মগুণ ঙসিতা মাংদা লেপ্পরি। কয়াদা তুংলম শান্না য়েংদুনা থারম্বা কলমনো। লুর-লুরবা তাঙ্কক কয়াদা থৌরবা কলমগী মচিন্না মমায় লৈদনা ইরম্বা ৱাহৈশিং ঙসিদি অমমমতা ওইনা চোঙথোরক্লি। ঙসিগী মীফম্না অথৌবসিগী মীতমসে করিগুম্বা অমতংদি ঙসিগী ওইনা খল্লম্লবদি হায়নরকপবু শিল্লি-লাংলিবশিংনা খুন্লকপা মতিক চারবা পাউখুমদুনা ঙসিসু ঐগী নাকোংদা ঙংলরি। কয়াদা মরিংজেল খাথ্রবা অথৌবনো। নোংমতা মীকুপ অমতা পোত্থাবা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসি ঐখোয়না পোত্থাজরসনু হায়দুনা উরুম মচেৎ অমা পীরুবা থোক্লবদি অথৌবসিগী মফমদা লংশিনবা ওইনা থোক্কদ্রা খন্দুনা মদুমক্তি শিনখিদ্রে। লমদমসিগী খনবদা নোংজু নুংশা চঙখিদবা থৱায়দুগী মীরেলনা মপূগী নাক্তা শান্তি ওইনা লৈদুনা হেন্না মঙম শানবা মীৎয়েং য়েংবীরক্লবা উৎখিবা শর্ধাঞ্জল্লি অদুদি অইবশিংগী মীফমনা মতিক চারবা ইকায়খুম্নবনি লৌজরে। অসুম্না তোপ-তোপ্পা অইবশিংগী মীফম ওইখিবা নুংশিকোল পার্কী থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেন ওল ইন্দিয়া রেদিওগী দিরেক্টর দিলিপ ময়েংবনি। ফোরম অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মনাওবী এম এমনা চীং লেল্লবা থৌরম অদুগীসু প্রসিদেন্ট ওইনা লেঙশিনখি।

শাংলবা চক কয়া কয়াদা মহাভারতকী ৱারী পরিংদা মঙোন্দগী হৌদোক্তুনা লাক্লবা ৱাথোক্লি হায়রিবা সতিগী গুণ চেনবী, কুন্তিগী মগুণ অমদি অরোনবা থম্মোয়গী পাউখোং নৌনা ফোঙহনখিবা ইবা মনাওবী এম এমমক্লা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইবা য়াম্না মতিক চাখি। অঙনবা মতমগী শুমাং কুম্মৈদগী হৌজিক্কী মীরোলনা শুমাং কুম্মৈবু তরাম্না ওকখিবা অরি অনৌগী লংদায় ওইখিবা প্লে '২১শুবা চহী চাগী কুন্তি' মীৎয়েং তাহৌদবা য়াওরল্লোই। অশেংবনি প্লে অসিমক্তনা ঙসিদি শুমাং কুম্মৈ করিনো খঙহনবগুম তৌরিবা অইবা অসিসু পোত্থাবা হৈতবা লময়ানবশিংগী মনুংদা অমা ওইদুনা লৈহৌরগদবা অইবনি। ঙসি সিনে রাইটর্স অমদি প্লেরাইটস অনী পূনশিনবীরকপা অইবা অসিগী চাউরবা খুদোলনি। অনৌবা শুমাং কুম্মৈগী পরিংদা 'ত্বেন্টি ফার্ষ্ট সেঞ্চুরিগী কুন্তি' গী অইবা মনাওবী এম এম অপূনবা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্টনি। ফোরম অসিনা অহানবা ওইনা ফোঙলিবা থা ৪/৪গী ওইনা ফোঙলগদবা 'অশেংবা মায়থোঙ' গী এদিটর ও সী মৈরানি। এদিটোরিএল বোর্দকী অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শক্লাইরবা মীওইশিং মনাওবী এম এম, ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি, বীরেন্দ্র সলাম, সিবদাস শর্ম্মা অরিবম, রাকেশ নাওরেম লোয়ননা সুধির কাংজম। সার্কুলেসন মেনেজর ওইনা ওজিৎকুমার লুৱাংচা অদুগা চাউরবা পোৎলুম অসি ফোঙনবগী থৌদাং কোকথক্তা থাঙ্গৎলিবা রঞ্জিৎ নিংথৌজা। মীং অসিনা অমুক্লা হেন্না লমদমসিগী ফিল্ম অমদি শুমাং কুম্মৈগা থাদোক্লবা য়াদ্রিবা লময়ানবা অসিগী থৌনাননি 'অশেংবা মায়থোঙ' গী মায়খুম হাংদোকপা ঙল্লিবা। ফনা য়াম্না অইবশিং অসিনা হোৎনরবসু অনম্বা ওইদুনা মীয়ামদা অশেংবা মায়থোঙবু উহনগদৌরিবদি য়াইবিরেন কম্যুনিকেসন্নি। অসুম্না খূৎশা কয়ামরুমগী অপূনবা পাঙ্গলনা ঙসি অহানবা শরুক ওইনা ফোঙলবা অশেংবা মায়থোঙ মীয়ামদা শিন্নদুনা মপূং ফারবা চেফোঙ অমদি ওইরনি।

চেফোং অসিদা য়াম্না মরুওইরিবা তাঙ্কক অহুমখক য়াওরিবসিদি তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌরগদৌবা ওইরিবনা মপূং ফাবা চেফোং হায়বদু ওইরগনি খল্লি। করিগুম্বা হৌজিকসু ককথোক ককশিনগী নৈনরকপা মতমদা চয়েৎনবদি অদুম থোক্লি। মসিমক্তি ৱারেং অহুমসিনা অদুক হাক্লা চয়েৎনবা থোক্লরোইদ্রা নীংই। চেফোং অসিগী লমায় ৭০দা য়াওরিবা ৱাফোঙ কাঙলূপ, সিনে রাইটর্স এন্দ প্লেরাইট ফোরম, মণিপুরনা য়ান্নরবা কাংলোনশিংনি। 'মণিপুরী ফিল্ম, লীলা অমসুং দ্রামা ইরিবশিংনা ঙাক্কদবা চৎন-কাঙলোন'। অনীশুবদা 'মণিপুরী ফিল্ম পুথোকপদা ঙাক্তুনা চৎনগদবা কাঙলোন খরা' অইবা রাকেস নাওরেম সেক্রেটরি, ফিল্ম ফোরম মণিপুর লমায় ৭২। অহুমশুবদা ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসন। মণিপুরদা ম্যুজিক ভিদিও এলবম পুথোকপদা চৎনগদবা কাঙলোন খরা অইবা-এন জি ঘনশ্যাম, সেক্রেটরি, ফিল্ম ফোরম মণিপুর লমায় ৭২। য়াম্না মতাং চারবা থমহৌদবা য়াদবা কাঙলোনশিংনি। হায়রিবা কাঙলোনশিং অসি চৎননবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরদা পুখৎতুনা অথুবা মতমদা খন্নরগনি হায়না থৌরমগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন এস মাঙ্গোলজাওনা মীয়ামদা থাজবা থমখি। ৱাফম অদুমক শোয়দনবা ওইনবসু মীফমদুদা য়ানখি। করিগুম্বা কাঙলোন অমগী মখাদা পরিং অদু লাক্তুবদি অয়াবা পীরমদাইদা মনীং তমগনবা ইরমদমগী কাঙবুশিংদা নাকল খুদিংমক্কী মফমদা থোক্লিবা চয়েৎনবা থোক্তনবগী লম্বেলনি লৌবা য়াই। পূম্নমকশিং অসি য়েংলুরগসু অদু নত্তবা শক্লাইরবা অইবা কয়ানা পূনশিনবা মপূং ফারবা চেফোঙ অসি অচৌবা মায় পাকপা অমদি শোয়দনা ওইরগনি নীংই। রেদিও প্লেগী প্লেরাসট মোইরাংথেম ইনাওখক্তা তাবদা অনুরধাপুর আশ্রমগী য়ুবরাজ খঙনীং নীংশিংবগুম অদুগুম্বা প্লেরাইট অদুগী খূৎই য়াওরবা দুগুম্বা মপূং ফারবা চেফোংসি য়াম্না মশক মচু থোক্কনি নীংই।

অশেংবা মায়থোঙখক্তগী ওইনা নৈনবা নত্তনা মতম শাংনা পুল্লক্ত্রবা অইবা কয়াগী অপূনবা ফোরম অসিনা লমলাইগী চনাদা লৈরিবা নুংশিকোল পার্কী মগুণ হাপখিবা অচৌবা মীফম অসি কাউঙমদ্রবা নুমিৎ অমদি ওইখি। হেন্না নুংঙাইরিবদি দাইজদা ফমখিবা শক্লাইরবা অহুমগী ৱারীনা মপূং ওইদুনা হৌমিন্নরকপদুদি কয়াদা নুংশিখ্রবা। দিলিপ ময়েংবম, লমদমসিগী খোরিরোলদা চীথবা লৈতনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীশক অসি মনাওবী এম এম, ডা. রাজেন তোইজাম্বা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি মতম অমগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী বেজ অমতগী মহৈরোয়শিংনি তাবদা পূক্লিংদা নুংশিবা ফাওরকই। চহী ৩০গী মমাঙগী ৱারীদু তেল্লপ তেল্লপ লীনরকপদু মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনখি। ঙসিদি মায়কৈ ঙাকপা অমমম ওইদুনা লৈরম্লগা পীক্লবা দাইজদা মতিক চারে হায়দুনা ফমিন্নবা, মথংদা অইবা লময়ানবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী মীতমদা খুজোক অহুমনা লৈরাং কৎমিন্নবা উরগা লময়ানবদুনা অর্শিবাদ পীবিরম্বা ওইসনু। ঐগী খুদুং ইনবিনবা মচা মনাই মশীং ৱাৎত্রে হায়না খল্লগা মোমোন নোকপদুনি ঙসি নুংশিকোল পার্কী থৌবু ওজা চনা লুখোইনা পেঞ্জরিবা। ইবদা চোকথবা নাইদ্রবা অহিংবা লময়ানবা চনা লুখোইনা তেল্লপ্পা মাগী পুন্সিগী ইবা হৌরকপগী ৱারী লীবিখিবদু কয়াদা পূক্লিং চিংশিনখ্রবা। শুমাং কুম্মৈগী অহানবা মনা ফংলবা ষ্ট্রিক্তি অমা ফোঙদোক্লবা শেল লৈতবগী চৈনা ৱানা খাঙলকপা তাবা ঙমদে। ওজা ইবুংঙোগী লোইনবীগী নাদা য়ানবা সনা কায়থোক্লগা 'থারিকথাগী সনারৈ' ফোঙখিবগী ৱারীদু মীৎতগী পি তাখি। হৌজিক্লা ফোঙবিনবা পব্লিসর মতিক চারবা কান্দা চহীনা লুম্লকপনা মঙম শাল্লক্ত্রবা কলম মচিন্দা ৱারৌহৌবা মীওইবগী পুন্সিবু নিন্দা তৌহৌই। অশেংবনি মীওইবগী পুন্সি নোংমদি লোইরক্কদবনি লম্বেল অসি পূম্নমক লেপ্পবদি য়াদ্রি। অমনা অমগী মতেং পীনদুনা ঙসিগী ফোরম অসিনা খোরিরোলদা অচৌবা মফম অমা থল্লম্নবা হোৎনরিবা অসি মেম্বর খুদিংমক্কী মতেং মথৌ তারি হায়না ফোরম অসিগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পূম্নমক্লা হেন্না লুম্না লৌহন্নীংই।

অরোইবদা চেফোঙ অসিগী এদিটর ও সী মৈরাগী নহা ওইরবসু হোৎনবা কনবা, অহল-লমনবু থকসি-খাসি খঙনা চৎলিবা মাগুম্বা কয়া লমদমসিগী মীরোলনা মতৌ তম্বা মথৌ তারি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, অশেংবা মায়থোঙবু হাংদোক্লুবদা লৈরম্লিবা মনুংগী শক্তমদুনা হেন্না ফজরম্বদুদি কাউবা ঙমদে। থাজদে মপান্দগী মনুংনা হেন্না ফজরমগনি হায়বসি হন্দকসিনা অহানবনি। ঐনা হায়জিনবা নত্তে অশেংবা মায়থোঙগী ফজবা নুংশিকোল পার্ক, চনা লমলাইনা শাক্কিনি।